COALITION AGAIN
(CADA)
CADA
Motto : HEALTH FOR FUTU
Office : Pureiromba Khongnang Makh
nung Mamang, Imphal - 795001, Manip

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী লৈখিদ্রবী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমগী ফোটোদা কাদাগী থৌমীশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা অৰাবা ফোঙবগী থৌরম

লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াদবগী অৰাবা মায়োক্ল রিবা অসি কোকহন্ননবা হোৎনবদা মতেং ওইননবা ৱাঙু জিলা পরিষদকী মেম্বর এম মেলোদিগী মায়কৈদগী পীবা ঈশিং চিংনবা ইলেক্ট্রিক মোটোর চাইরেল অমদি নুঙুগী লৌমীশিংদা খুৎশিন্নখিবা

টোটেল কর্ফিয়ু মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম্বু ঙাক শেন্দুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরনা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর তেংবাঙখিবা

ইদ-উল-অধানা লাকপদা কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ইদ কুম্মৈ পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুমথোঙ ১৩০০ রোমদা অপ্পা দল (এস)কী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম আই খাননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

## ‘চয়েৎনবা থোকহনবীগনু’

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

লাইনিংথৌ পিসাতাও (বিস্ব কর্ম্ম) অমদি মহৈগী লাইরেম্বী সরস্বতি পুজাগী মতম চয়েৎনবা থোকহনবীয়ু হায়না কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দ (কে সী বি)গী জেনরেল সেক্রেটরি সোরাইসম সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০২১গী লাইনিংথৌ পিসাতাও অমসুং বিস্ব কর্ম্ম পুজা অনী অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা সাইন্টিফিক খুৎহোৎকী মতুংইন্না তাই। লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দনা মহৈগী লাইরেম্বী, হুম্ফু লৈমা নারেংশুবি অমদি হিন্দুগী সরস্বতি পুজাগী থৌরম অসিসু সাইন্টিফিক খুৎহোৎকী মতুংইন্না ফেব্রুৱারী ৫দা তাই। অদুবু অরিবা খুৎহোৎ সাইন্টিফিক ওইদবগী মতুংইন্নদি ফেব্রুৱারী ৪দা তাই। মসি সাইন্টিফিক মেথদতা তারিবা ফেব্রুৱারী ৫ অসিনা অচুম্বা ওইগনি। বোর্দ অসিনা চহী ১১গী মমাঙদগী লিশাং শিংনা মণিপুর মীয়ামদা সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাক মীয়াম্না পীদুনা লাক্লি। মতুংদা অনী থোক্তনবা অমদি মীয়ামদা চমন্নদনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা মীওই ৩০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মীওইশিং অসিনা লৈরিবা য়ুমশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈকায় অসিগী মফম খরদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীনা লাউথোকখ্রে। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবশিংনা য়ুমদগী মপান থোকপদসু অথিংবা থল্লে হায়রি।

## কোমথোকপীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

লৌ-ইংখোল লৈবা য়োনবগী হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি খরা কোমথোকপীয়ু হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অকনবা চৈথেং মরক্তা মণিপুর লৈঙাক্তা লৌ-ইংখোল লৈবা য়োনবগী শেমখিবা অনৌবা চৎন-কাঙলোননা মরম ওইদুনা লৈত-লায়রা, লৌমী-শিন্মী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। মতম অমদা লৈত-লায়রা মীয়াম্না করিগুম্বা অনা-অয়েক অমদি য়ুমগী থৌদোক অমা থোক্লকপা মতমদা লৌ নৎত্রগা ইংখোল মচেৎ অমা য়োন্দুনা অথুবদা অৰাবা কোক্লবগী পাম্বৈ ওইরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লৌ-ইংখোল লৈবা য়োনবগী কাঙলোন কয়া শেল্লকপনা হৌজিক্তি লৈবা য়োনবগী প্রোসেস তৌবদা থা কয়া চঙলে। মসিনা লৌমী-শিন্মী, লৈত-লায়রা মীয়ামদি অথু-অকায় নংদবগী অৰাবা, খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লি। মরম অদুনা হান্নগুম্না রেজিষ্টর তৌনদুনা অদুম লৈবা য়োনবগী মওংদা কোমথোকপীদুনা লৈত-লায়রা কয়াগী অথু-অকায় নংনবা হোৎনবীয়ু।

## অকিবা লৈরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

লৌমীশিংনা হৌজিক হৌজিক হার (য়ুরিয়া)গী মথৌ অদুক্কী মতিক তারকপনা শুপ্পতগী বেগ অমা ফংননবা হোৎনবদা অহিং নোংয়াইদগী ককচিং লমদোংগী গোদাউন মমাঙদা ক্যু লেপ্পা তারি। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মী তীন্দনবা ৱাফম কয়া থল্লবসু লৌমীশিংদি লায়না-লাইচৎ অসিনা নারবসু য়ারে হায়বগা চপ মান্নরে। মতম চারিঙৈদা ফৌদা হার হাপহৌদ্রবদি পাম্বীশিং চাউখৎপা ঙমদবনা কোভিদ-১৯গী অকিবা অমদি মতম মাঙবগী কিনদনবা ফংনবা হোৎনরিবনি। লৈঙাক্লা ফীভম অসি কুপ্না খন্নবীরগা দিষ্ট্রিব্যুসন মেকানিজমদা শেমদোকপীদুনা অরাইবা মওংদা হার ফংহন্নবা অথুবদা শীনবীয়ু হায়না জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ‘ইদ-উল-অধাগী থৌরম কোভিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না পাঙথোকসি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা জুলাই ২১দা মৈতৈ পাঙল ইচিল-ইনাওশিংনা য়াম্না খৌরাংনা ঙাইজরকপা ইদ-উল-অধাগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মৈতৈ পাঙল ইরৈচাশিংগী মফমদা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)না য়াইফ পাউজেল পীজরি। ইদ-উল-অধাগী থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না পাঙথোকসি হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এস কে ৱাজিদ শাহনা ফোঙদোরক্লি।

(MMWO)
HEAD QUARTER
MINUTHONG HAFIZ HATTA, IMPHAL EAST DISTRICT
PO: IMPHAL,PS: POROMPAT, IMPHAL-795001
IMPACT NEWS

এম এম দব্লিয়ু ওগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস কে ৱাজিদ শাহনা হায়খি, চহী অমদা অমুক্তং লাকপা মমল য়াম্লবা কুম্মৈ ইদ-উল-অধানা লাকপদা অৰা-অনা য়াওদনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপীয়ু। লৈত-লায়রবশিংদা অঙম-অঙম্বা মতেং পীবীদুনা কুম্মৈ অসি পুন্না পাঙথোকপা ঙম্বসু পীবীয়ু। ইদ-উল-অধা হায়বসি মুসলমানশিংগী হরাও-কুম্মৈ হায়বনি। ইদ হায়বসি মপু মহাক্কী নুংশিবা মীৎয়েং অদু মহাক্কী ননাইশিংদা হন্না হন্না য়েংবী হায়দুনা ইদ কৌরিবনি। অদুগুম্বা পোকপী হৈবা, মীনুংশি লৈবা মপু অদুনা বন্দাগী লানখিবা মরালশিং অদু হন্না কোকপীবা অমদি হন্না হন্না থৌজাল পীবীবা, লাল্লে হায়জরবা মতুংদা লংজখিবা মরাল অদু কোকপীবা অদুগুম্লবা কুম্মৈ অমনি। মুসলমানশিংগী হরাও কুম্মৈ ওইরিবা ইদ হায়বসি অনী শুই। মদুদি ইদুল ফিটর অমদি ইদ-উল-অধা কৌই।

ইদ-উল-অধা হায়বসি য়াম্না চাউবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা কুম্মৈ অমনি। হজরট ই ইব্রাহিমনা মপুগী য়াথং মতুংইন্না মচানুপা ইস্মাইলবু কুরবানি তৌখিবগী অদুগুম্বা নীংশিংবগী নুমীৎনি। নুমীৎ অসিদা য়াওবু ইশা-ইশাগী থৱায়গী মহুৎ শীন্দুনা কুরবানি তৌখিবগুম শা-ষনশিং লেন্দুনা মপু মহাক্কী মফমদা পীজবা খুদোলনি। অসিগুম্বা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা এম এম দব্লিয়ু ওনসু লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, অনা-অয়েক লৈতবা লমদম অমা ওইহন্ননবা থৌনিবগা লোয়ননা ইদকী থৌরম অসি পাঙথোকমিন্নসি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং কায়হন্দনা ইদ-উল-অধা পাঙথোকসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সনা কোনুংদা পুকমেন পাউমেন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

সনা কোনুংদা ইনিংথৌগা মৈতৈ-পাঙল ঈগী খোঙ্গুল লীবা ফাউন্দেসন কম্মিটিগা পুকমেন পাউমেন্নবগী অচম্বা থৌরম অমা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্না ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না মৈতৈ-পাঙল ঈগী খোঙ্গুল লীবা ফাউন্দেসন কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি বি এম অব্দুল মজিদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মৈতৈ-পাঙল ঈগী খোঙ্গুল লীবা ফাউন্দেসন কম্মিটিনা শীল্লগা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মিটিগী মায়কৈদগী অমদি অতৈ খুলশিংদগী লাকখিবা মৈতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংদগী ইনিংথৌদা হঙ্গৎচখিবা ৱাফমশিং ইনিংথৌনা মুন্না তাবীরবা তুংদা ঈগী খোঙ্গুল লীবা ফাউন্দেসন কম্মিটিগী ওফিস বিল্ডিং অমা শোয়দনা শাবীরগনি হায়বগী থাজবা ৱাফম থম্বীখি। লোয়ননা সনা কোনুংদা হান্না লৈরম্বা কাজি লোয়শঙ অমুক হন্না থম্মিংবগী অপাম্বা ইনিংথৌনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জুলাই ১৭তা চহী খূদিংগী থৌরম পাঙথোকপদা মৈতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তগী লান্না লৌবীবা য়াওরবদি লৌবীগনু। জুলাই ১৭কী থৌরম অসিদি মতম কুইনা মৈতৈ-পাঙলশিংগা সনা কোনুংগা লাপথোক্লদুনা লাকখিবা অদু নৌহৌননা অমুক তৎন-থানবা য়াদ্রবা অফবা মরী অমা শেমগৎমিন্ননবগীদমক্তনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১৭তগী হৌদুনা চহী খূদিংগী সনা কোনুংদা মৈতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগা পুকমেন পাউমেন্নবগী থৌরম পাঙথোকপনি। মসিদি মৈতৈ-পাঙলশিংনা লমদমসিদা অহানবা লাকখিবগী নীংশিংবা থৌরম নত্তে। মৈতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংনা নিংথৌনা পীরম্বা য়ুম্নাক শাগৈশিং য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমহঞ্জনিংই। মসিনা অচেৎপা মরী অমসু ওইরিবনি। লাক্লিবা জুলাই ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-উল-অজহা থৌরমগী মাঙওইননা লৈবাক মীয়াম্না মরুওইনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মৈতৈ-পাঙলশিংদা য়াইফ-পাউজেল পীবগা লোয়ননা মালেম মীয়ামদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোকপীনবা তাইবং মপু অল্লাহগী মফমদা দুৱা তৌজরি, থৌনিজরি হায়খি।

মৈতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংনসু ইদকী থৌরমদা মীয়ামগী অৰাবা কোকহনবীনবা দুৱা তৌবীয়ু। মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসি থিংননবা ঐখোয় পুন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি। ঐখোয় পুন্না ভেক্সিন কাপথোক্লবদি অল্লাহগী থৌজালদগী মথং চহীদদি ঐখোয় ময়াম শোয়দনা পুনবা য়াগনি থাজৈ। লাইচৎ অসি থেংনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম লোইশিল্লকপদা কম্মিটিগী মায়কৈদগী ইংখোলদা হৌবা মনা-মশিং, হৈ-রাশিং নিংথৌদা খুদোল তমখি। নিংথৌগী মায়কৈদগীসু ইদকী য়াইফ-পাউজেল পীদুনা থৌরম অদু লোইশিনখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এফ এমগী কোর কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

জনতা দল (এস), সমতা পার্টি, তৃণামুল কোংগ্রেস (টি এম সী), আর পি আই (এ), দি বি এস পি, ভিশ্ব শক্তি পার্টি, ন্যু ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস পার্টি, অখিল ভারতিয়া হিন্দ ক্রান্টি পার্টি, ভারতিয়া রাষ্ট্রপতি সমতা পার্টিগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু এফ এম)গী কোর কম্মিটিগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু এফ এমগী চ্যেরমেন সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু এফ এমগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মরমদা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। লোয়ননা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা ষ্টেট অসিগী এসেম্ব্লী সেগমেন্ট ১০দা কেন্দিদেট থাদোকপা হায়বা ৱারেপ অদুদগী খরা খজিক হন্দোক্লগা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি ২০ লোমদা মীরেপ থাদোকপগী ৱাফম য়াম্না কুপ্না খন্নখি। লোয়ননা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি খরা য়াওগে হায়বগী ৱাফমসু পুথোক্তুনা খন্নখি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগী থৌদাংসু য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রদা শীন্নখ্রে। মসিগীদমক মথৌ তাবা খূদিংমক্লা য়ু এফ এমগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রগা উনদুনা তান্নবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## হার ফংদবগী অৰাবা অমুক মায়োক্লরে : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

কুমগী নোং লিক্লা তাবনা মণিপুরগী লৌফম চাদা ৪০ রোমদি লৌ উবা য়াদনা ঈকং থোক্তুনা লৈরি। হৌজিক লৌ পাল্লিবশিং অসি অয়াম্বনা ঈশিং চিংদুনা নম্ফুদা পানবগুম্বনি। পাল্লিবা লৌ অসিসু হার চাইবগী মতম য়ৌশিল্লক্লবসু হার (য়ুরিয়া) ফংদবগী অৰাবা অমুক লৌমীশিংনা মায়োক্লরে হায়না নোংচুপ ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী চাউখৎ থৌরাং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ব্রজমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হার লৌনবগীদমক দিপার্টমেন্টতা দোক্যুমেন্টশিং শুনা মাঙজৌননা পীশিল্লবসু হার করম্বা কান্দা পীগনি হায়বগী অকক্লবা মতম পীদ্রি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী অৰাবা কয়ানা মীপায়নরবসু চহী অমা চাগদবা চীঙ্গাক ওইবনিনা মসিদা শিবা নাবা কিদবমখৈ হার লৌনবা হোৎনরি। অসুক ৱানা, শেল চঙনা হোৎনজরিবা লৌ অসি হার মতম চানা চাইহৌদ্রবদি পোথোক মতিক চানা ফংলোইদৌরিবনি। মহৌশাগী ষননা লৌ উবদুসু নৎত্রবনিনা মেছিন্না লৌ উবা মতমদা চঙলিবা শেনফম অসিসু পোথোক্কা য়েংনরুবদা কান্নবা ওইরক্তরবনি। মসিদা নীংথিনা হোৎনহৌদ্রবদি লৌমীগী অমাঙবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

হারগী অৰাবসি চহী খূদিংগী লৌমীশিংনা মায়োক্লদুনা লাক্লি। লৈঙাক অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হার ৱাৎতনা লৈ, মতম চানা পীগনি, লৌমীশিং অৰাবা অকিবা লৈহল্লোই হায়না কয়ারক হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা অৰাবা কোকহনবা ঙমদ্রি। মতম চানা পীবা ঙমদ্রি। ওইরিবা থৌওং অসি লৌমী চাউখৎনবগী মীৎয়েং নৎত্রে। করম্বা পোলিসী অমা লৈব্রা হায়বসি ৱাহং অমা লাক্লে। লৈবাক অমগী চাউখৎপসি মরুওইনা এগ্রিকলচরদা বেজ তৌরিবনি হায়বসি পুম্নমক্ল বা খঙনরবা ৱাফমনি। হন্না হন্না ৱাকৎ চেরোল অমদি উনদুনা লৌমীগী অৰাবসি কোক্লনবা হায়রবসু তাবীরক্তরবদি পেন্দবনা থল্লবা লৌমীশিংনা ঈহৌ লাক্লবদি ঐখোয় মশেল মাঙনবা ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অথুবদা গভর্ণমেন্ট অমদি দিপার্টমেন্টনা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্তুনা লৌমীদা হার ফংহল্লু। হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অসি মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক্লি হায়নরিবনি। থাজবসি মাঙহন্দনবা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। হার পীরিবা সিষ্টেম অসিসু লৌমীনা লৌবদা খুদোংচানবা শীনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইদ-উল-অধানা লাকপদা য়াইফ-পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদ-উল-অধানা লাকপদা য়াইফ-পাউজেল পীনরক্লি।

ভিলেজেজ কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী)গী চীফ এদভাইজর পুয়াম অচৌ খুমনচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইদ-উল-অধানা লাকপদা ভি সী পি সীনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীজরি। ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ পুম্নমক নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী লীপুন অসি হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইন পুম্নমক ঙাকমিন্নদুনা ইদকী থৌরম অসি পাঙথোকমিন্নসি। লোয়ননা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মালেম অসিদা অৰাবা মায়োক্লরিবা কোরোনা ভাইরসপু মরু ফুক্লা মুথৎখিবা ওইরসনু হায়নসু তাইবং মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এম দি কবির অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি। ইদ-উল-অধাগী থৌরম পাঙথোকপদা মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাকমিন্নসি। লোয়ননা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অলাহনা মীয়ামদা অৰা-অনা য়াওদনা নুংঙাই-য়াইফবা, চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা পীনবীরসনু হায়রি।

## ইদ-উল-অধা কুম্মৈনা লাকপদা লমদমসিদগী কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরু ফংনা মাঙখিবা ওইরসনু : এম আই খান

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদ-উল-অধা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদগী কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরু ফংনা মাঙহনখিবা ওইরসনু হায়না তাইবং শেম্বা মপুদা থৌনিজরি হায়না অপ্পা দল (এস)কী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন)গী থৌসু পুরিবা সোসল এক্টিভিষ্ট এম আই খাননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ঙসি কৈরাও এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ইদ কুম্মৈ পাঙথোক্কদবা য়ুমথোঙ ১৩০০ রোমদা এম আই খাননা ইদকী তেংবাঙ ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগা মরী লৈনবা ৱারোল পীরদুনা হৌখিবা এসেম্ব্লী মীখলদসু মীরেপ ওইখ্রবা এম আই খাননা মখা তারদুনা হায়, ইদ-উল-অধা কুম্মৈ অসি ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগীদমক্তদি খ্বাইদগী মগুন লৈবা অমদি শেংলবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি ইদিগাহদা চৎলগা নমাজ শোনবা, অরৈ-অরৈবশিং চামিন্নবা, লৈত-লায়রশিংদা মতেং তৌবা অমদি কুর্বানি তৌদুনা লৈত-লায়রশিংদা পীথোকপনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসি অৰা-অনা লৈতবা, চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা, তংদু-লৈতাবা অমগা লোয়ননা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা ইরমদম অমা ওইরসনু হায়খি।

এম আই খাননা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১১দগী হৌদুনা লেপ্পা লেপ্তুনা কৈরাও এ সীগী মীয়ামদা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। শোথুনা লৈরবা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগীদমক্তা খন্দুনা কুমজা ২০১২দগী মীখল থেংনবা হৌরকখিবনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী পার্টনর অমা ওইরিবা অপ্পা দল (এস)তা চহী অসিগী মে থাদগী পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা থৌ পুরকখিবনি। লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী মীখলদা পার্টি অসিগী এম এল এ মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা লমদম অসিদা এন দি এগী হেন্না মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লৈহনসি হায়নসু মহাক্না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

## সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা মাস্ক, সেনিটাইজর, আনোক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

ঙসিদগী হৌদুনা লৈঙাক্লা অকনবা নুমীৎ তরানিগী টোটেল কর্ফিয়ু থমখিবনা য়াম্না চেকশিনবা মওংদা পুলিস পর্সনেল অমদি ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস পর্সনেলশিংনা শারবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা মীয়াম্বু ঙাক শেন্দুনা মথৌ তৌরিবা পর্সনেলশিংবু থৌনা হাপ্পা ওইনা চান-থক্লবা অমদি ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, সনগ্লাস কয়া কোয়না চৎতুনা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালনা য়েন্থোক্তুনা মতেং পাঙখ্রে।

ঙসিগী য়েন্থোক খোঙচৎ অদুদা থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টতা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেল অমসুং ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস পর্সনেল পুন্না ৮০০ রোমদা অঙম্বা মতেং পাঙখি হায়রি।

ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরগী মপু মাইবম ইতীননা মীয়ামসু লৈঙাক্লা পীরিবা ওর্দর অসিবু ঈকায় খুম্নদুনা চেকশিন্না লৈরসি অমদি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিনবা ঙম্নবা ঐখোয় য়ুমদগী মপান থোক্লগুমসি হায়না আই ক্যের অসিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

## মীওই ৫০০ রোম ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নদুনা মাইবম চীংমাং ৱেলফ্যের ক্লব অমদি মাইবম য়ুথ ক্লব কম লাইব্রেরী অনীনা শীন্দুনা মখা মাইবম চীংমাংগী ওইনা ঙরাং মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা মাইবম চীংমাংগী অকোয়বদা লৈবা মীওই ৫০০ রোম কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না মাইবম চীংমাং ৱেলফ্যের ক্লবকী সেক্রেটরি মাইবম কিরননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ামরুম্না অৰাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ামরুম্না অৰাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

কংলৈ ইমা লূপ (কে আই এল)গী পব্লিসিটি এল শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সোইবম ওংবী ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা কংলৈ ইমা লূপনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৰাবা ফোঙদোকচরি। কংলৈপাক মণিপুরগীদমক ইস্যু কয়াদসু মাঙজিল থানা থৌদাং কয়া য়াবীরম্বা লুচিংবীনি। মরুওইনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮কী মরুমদা মীচম কয়া হাৎপা, ফূবা, ফাবা কয়া অমা চথুরকপগী মায়োক্তা মমা অমা ওইনা হনবা লৈতনা কংলৈপাক্কী মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি খুন্নাই অসিগী মাঙজবা অমনি। ইমাগী থৱায়না তাইবং মপুগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু কংলৈ ইমা লূপনা শরুক য়াজরি হায়রি।

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেম্বা লমাবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা য়ু সী এমগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিং য়াওবা মীফম অমা ফমদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে। ইমানা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা চাউনা মাঙজবনি। ইমানা হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লুচিংবী অমা ওইনা ওল মণিপুর তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা য়ু সী এমগী মতম-মতমগী ওইবা লৈবাক্কী ঈহৌ কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়ারম্মী। লুচিংবী ইমা অসিনা তাইবং মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু য়ু সী এমনা থৌনিজরি। ইমা অসিনা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৰাবদসু য়ু সী এমনা শরুক য়াজরি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখেময়ুম রিমাকননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এমসুনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। এমসুগী থৌমীশিংনা ইমাগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা লাইরেম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীতৈইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী সেক্রেটরি জেনরেল হুইরেম লোয়খোম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম শাংনা ইরমদম ইরৈচাশিংগীদমক অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা নত্তনা ইরমদমগী লুরবা তানফম কয়াদা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা মাঙ থানা অচৌবা থৌদাং পুবীরম্বী ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী লুচিংবী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা মীলালনা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকচরি। ইমানা তাইবং শেম্বা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজরি অমদি ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি।

উরিপোক অপূনবা লূপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চিংথং নাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা তাইবং মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স এসোসিএসন (চিতুৱা)গী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তম্মী-চীংমী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা চিতুৱাগী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা অমদি অৰাবা ফোঙদোকচরি। মোমোন লৈমা লৈবাক মীয়ামগী ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্মী। লৈখিদ্রবী ইমা মোমোনগী ইমুং-মনুংগী অৰাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট তুমীন্না লেপ্তুনা থৌনিখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্টকী সেক্রেটরি সোবিতা মংশাতাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ইমা মোমোননা লৈখিদবদা ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট (ৱাদ)না অৰাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৰাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা ঙরাং জে দি ও, জিম্পাল, এমসু অমদি কাদা জিরিবামনা জিম্পালগী হোলদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্টে ইমা সোইবম ওংবী মোমোননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ৱর্ল্ড ওফ চেঞ্জ (দব্লিয়ু ও সী)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদা শরুক য়াজরি অমসুং লৈখিদ্রবীগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু দব্লিয়ু ও সীগী প্রসিদেন্ট হিদংময়ুম রাহুল শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা সেল্ফ হেল্প ক্লব লৈফ্রাকপমনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙবগী থৌরম অমা লৈফ্রাকপম মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি হায়না সেল্ফ হেল্প ক্লবকী সেক্রেটরি দব্লিয়ু রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা খোংনাংমখোঙদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কন্ফরেন্স হোলদা ঙরাং অৰাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কাদাগী থৌমীশিংনা লৈখিদ্রবী ইমা মোমোনগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখি হায়রি।